মেছিন শেমদোক্লগা পেট্রোল পম্পতা থাউ ৱাৎনা পীবগী খূৎপু অমা থেংনরে

থানে/লক্ষ্ণৌ, জুন ২২(এজেন্সী) :

মেছিন শেমদোক্লগা মীয়ামদা থাউগী চাং শুনা পীদবগী মতাংদা থানে পুলিসনা মরুওইবা কম্পেনি তরুক্কী টেক্নিসিয়নশিংগী মথক্তা থিগৎপা হৌখ্রে।

লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা পেট্রোল পম্পশিংদা ফ্যুএল দিস্পেন্সর সপ্লাই তৌরিবা মরুওইবা কম্পেনি তরুক্কী টেক্নিসিয়নশিংনা ওইল পম্প মপূগা মান্নরগা মেছিন শেমদোক্তুনা মীয়ামদা থাউ ৱাৎনা পীরম্বনি হায়রি।

মহারাষ্ট্রদা লৈরিবা পেট্রোল পম্প অয়াম্বদা মীয়াম্না থাউ হানবা মতমদা চাং শুনা পীদবগী মতাংদা চিংনবদগী পুলিসনা থিগৎপদা অরানবা তৌরম্বা মীওই খূৎপু অমা থেংনখিবনি।

উত্তর প্রদেশতসু হৌখিবা এপ্রিল থাদা হীরম অসিগা মরী লৈননা পেট্রোল পম্প ২৭কী মপূশিং স্পেসল টাস্ক ফোর্সনা ফাগৎপা লৈখ্রবনি। মরাল লৈরবা মীওইশিংগী মনুংদা মীওই ২দি থানেগী দোম্বীলিদগী ফাখিবনি।

থানেগী পুলিস কম্মিস্নর পরমবির সিংহনা এজেন্সীদা হায়খি, পেট্রোল ভেন্দিং মেছিন ফিট তৌবা টেক্নিসিয়নশিং ৱাথোক অসিদা চেন্নরম্বা য়াবগী খূদম ফংলে।

লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ওরিজিনেল ইক্বিপমেন্ট সপ্লাইয়রস (ও ঈ এস) হায়নসু খঙনবা মরুওইবা কম্পেনি তরুক্না পেট্রোল পম্পশিংদা ভেন্দিং মেছিন সপ্লাই তৌদুনা লাকপনি। কম্পেনিশিংগী মতেং লৌরগা ৱাথোক অসিদা চেন্নরিবা টেক্নিসিয়ন পুন্নমক ফাগৎনবা হোৎনরি হায়না পরমবির সিংহনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা জুন ১৬তা পুলিসনা থিবা-হুম্বগী থবক চথবদা থানে, ভিৱান্দি, কোনগাউন, পুনে অমসুং নাসিকতগী মীওই ৭ ফাগৎপা ঙমখি। মীওই অয়াম্বা পেট্রোল পম্পকী মপূনি।

পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, ইলেক্ট্রোনিক চিপ অমা ভেন্দিং মেছিনদা হাপচিল্লগা মীয়ামদা থাউ ৱাৎনা পীরম্বগী থৌওং চথরম্বা থেংনখি। ভেন্দিং মেছিনদা চাং শুনা উৎলকপা তারবসু মীয়ামদা পীবা মতমদদি থাউগী চাং ৱাৎলি হায়বা খঙলে। লিটর মঙা পীগদবদা শুপ্নগী লিটর ৪.৮ খক পীরম্বা থেংনখি।

টেক্নিসিয়ন খরনা ভেন্দিং মেছিনগী সোফটৱ্যের শেমদোক্লগা মীয়ামদা থাউগী চাং হন্থনা পীরম্বনি। মিটরদা লিটর ৫ য়ৌরে হায়না উৎলকপা তারবসু তশেংবদি শুপ্নগী লিটর ৪.৮ খক্তমক ভেন্দিং মেছিনদগী থাদোল্লম্মী।

থানেগী পুলিস কম্মিস্নরনা হায়খি মহারাষ্ট্রদা লৈরিবা পেট্রোল পম্প ৬,০০০ কী মনুংদা চাদা ৯০ রোমদি অরানবা থৌওং চথরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈরে। হীরম অসিগী মতাংদা চপ চাবা অমা খঙদোক্লবগীদমক দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস অভিসেখ ত্রিমুখিনা লুচিংবা টিম ৭ না ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা পেট্রোল পম্পশিং চেক তৌবগী থবক চথরি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, টেক্নিসিয়নশিংনা পেট্রোল পম্প মপূগা মান্নদুনা হৈশিংবা মওংদা চথরল্লিবা থৌওং অসি মমাঙদা ৱেথ এন্দ মিজর দিপার্টমেন্টনা থিগৎপদা খঙবা ঙমখিদ্রবদি। দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসলশিংনা চেক তৌবা লাকপদা পেট্রোল পম্পকী ওপরেটরশিংনা অরায়বা মওংদা নমথাক তৌদুনা মীয়ামদা থাউগী চাং শুনা পী হায়বা উহন্নবা হোৎনরম্মী।

ইন্সপেক্সন চথরল্লবা মতুংদা পেট্রোল পম্প ওপরেটরনা হান্নগী মওংদা অমুক মেছিন শেমদোক্লগা মীয়ামদা থাউগী চাং ৱাৎনা পীবগী থৌওং চথৈ হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা থানে পুলিসনা ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসনদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা পেট্রোল পম্প অমদা পীখিবা থাউগী চাংগা মখোয়না য়োনখিবা চাংগা চানব্রা হায়বদু য়েংশিনবীনবা হায়জবা লৈখ্রবনি। যু পিদসু সিভিল সপ্লাইস দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা চেক তৌবদা পেট্রোল পম্প খরনা মীয়ামদা চাং ৱাৎনা থাউ পীরম্বা থেংনখি।

আম আদমি পার্টিনা ওপোজিসনগী প্রসিদেন্ট মীরেপ মৈরা কুমার শৌগৎলোইদৌরি

ন্যু দিল্লি, জুন ২২(এজেন্সী) :

জুলাই ১৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা পুথোরক্লিবা মীরেপ্তা আম আদমি পার্টি (এ এ পি)না শৌগৎলোইদৌরি।

ঙসি নুংথিল ওপোজিসন পার্টিশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা লোক সভাগী স্পিকর ওইরম্বা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদর মৈরা কুমারবু প্রসিদেন্ট মীরেপ ওইনা পুথোক্লবা ৱারেপ লৌখি। মীফম অদুদা এ এ পি শরুক য়াখিদে।

এ এ পিগী স্পোক্সপার্সন সৌরভ ভর্দ্বাজনা হায়খি, প্রসিদেন্ট মীখলগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা পার্টি অসিগী চপ চাবা ফিরেপ লৌবা লৈত্রি। থা অসিগী মনুংদা এ এ পিগী পোলিটিকেল এফেয়র্স কম্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা প্রসিদেন্ট মীখলগা মরী লৈনবা ৱারেপ লৌগনি।

আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংবা এ এ পিগী এম এল এ ৮৬ দিল্লি অমসুং পঞ্জাবতা লৈরি। লোক সভাদনা মেম্বর ৪ লৈ। পঞ্জাবতা পার্টি অসিগা চৎমিন্নরিবা লোক ইন্সাফ পার্টিগী এম এল এ অনী লৈ। করিগুম্বা পার্টি অসিনা ওপোজিসনগী মীরেপ্তা শৌগৎতবা থোক্লবদি এন দি এগী প্রসিদেন্ট মীরেপ্পা ইরায় লায়না মায় পাকখিবা য়াবগী ফীভমদা লৈ হায়রি।

বি জে পিনা বিহারগী গভর্ণর অমদি দলিট লুচিংবা রাম নাথ কোবিন্দবু প্রসিদেন্ট মীরেপ ওইনা খনখ্রবা মতুংদা লেফট পার্টিশিংনা ওপোজিসনগী তোখায়বা মীরেপ অমা থাগৎনবা ফিরেপ লৌখ্রবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী অমদি হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহোন সিংহগা উনদুনা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা কোবিন্দবু শৌগৎপীনবা হায়জখি।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌদ্রিঙৈদা পার্টিগী লুচিংবশিংগা ৱারী শানখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

বি জে পিনা কোবিন্দবু মীরেপ ওইনা থাগৎনবা থৌরাং লৌখৎলকপনা ইন্দিয়াগী অপূনবা মীশীংগী চাদা ১৫ ওইরিবা দলিটশিংগী মতেং ফংলগনি হায়না থাজনরি।

সী পি আইনসু কোবিন্দগী মায়োক্তা ওপোজিসনগী মীরেপ অমা থাগৎকদবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

মীখল অসিদা ওপোজিসনগী মীরেপ থাগৎপা তারবসু মায় পাকপা য়াবা মশীং য়ৌগদবা ভোট লাখ ১.৫ রোম ৱাৎলি। কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন মমাঙদা ওপোজিসন পার্টিনা বি জে পিগী মায়োক্তা লৈবা গ্রান্দ এল্লাইন্স অমা শেম্বগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদসু ওপোজিসনগী মীরেপ থাগৎতুনা মায় পাকহন্নবা হোৎনরি।

বি জে পিগী ওইনা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা মায় পাক্লবগীদমক ভোট মশীং লাখ ১ ৱাৎলি। মদুনা মরম ওইরগা এন দি এগী মপাং ওইরিবা অতৈ পার্টিশিং অমদি টামিল নাদুগী এ আই এ দি এম কে, ওরিষাগী বিজু জনতা দল অমদি তেলঙ্গনাগী তেলঙ্গনা রাষ্ট্র সমিটিনচিংবা পার্টি খরগী মতেং লৌবা মথৌ তারি।

বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনদি রাম নাথ কোবিন্দবু বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এগী প্রসিদেন্ট মীরেপ ওইনা খল্লকপদা হরাওবা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, বিহারগী গভর্ণর ওইনা শীংথানিংঙাই ওইবা থবক থৌরম কয়া লৌখৎখিবা কোবিন্দবু লৈবাক্কী প্রসিদেন্ট ওইনা থাগৎনবা হোৎনরকপদা অপেনবা পোকই। অদুমওইনমক এন দি এগী মীরেপ অসিদা মপুং ফানা শৌগৎকদ্রা হায়বগী মতাংদদি মহাক্না ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে।

অমরোমদা, টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ও পানিরসেলবমনা লুচিংবা এ আই এ দি এম কেনা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা এন দি এগী মীরেপ রাম নাথ কোবিন্দদা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকখি।

সিক্কিমগী চীফ মিনিষ্টরনা তোখায়বা গোর্খালেন্দ শেম্বগী ৱাফম শৌগৎখ্রে

গেঙটোক, জুন ২২(এজেন্সী) :

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী শরুক খরা খায়দোক্লগা তোখায়বা গোর্খালেন্দ শেম্বগী মতাংদা সিক্কিমগী চীফ মিনিষ্টর পাৱন কুমার চামলিংনা শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহদা থাখিবা চেরোল অমদা মহাক্না হায়খি, দার্জীলিংদা লৈরিবা মীয়াম্না তোখায়বা ষ্টেট শেম্নবগী মতাংদা তাল্লিবা মরম চাবা দিমান্দ পীফম থোকই। ইন্দিয়াগী গোর্খাশিংদা মতিক চাবা রাইটস ফংহনবগী শরুক অমা ওইনা তোখায়বা গোর্খালেন্দ ষ্টেট শেমগদবনি।

গোর্খালেন্দ শেম্বনা মায়কৈঅসোমদা ঈং-তপ্পা ফীভম পুরকপগা লোয়ননা চাউখৎ থৌরাংদা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমগনি। শাংলবা চহী ৩০ গোর্খালেন্দগী খোঙজং শৌগৎপা মীওইশিংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন নেসনল হায়ৱে থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মরম্না চাউখৎ থৌরাংদা থিন্থহল্লে।

অমরোমদা, গোর্খা জনমুক্তি মোর্চা (জি জে এম) মিজোরাম য়ুনিটনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী শরুক খরা খায়দোক্লগা তোখায়বা গোর্খালেন্দ শেম্নবগী মতাংদা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

জি জে এম ষ্টেট কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা দার্জীলিং হিলস রিজন, সিলিগুরি, তেরাই, দোৱার অমদি অকোয়বগী শরুক পূনশিল্লগা গোর্খালেন্দ শেমগদবনি হায়বা খোল্লাউ লাউখি।

কুমজা ১৮৭৪ দা সাইন তৌনখিবা ত্রিটি ওফ সুগোলিগী মতুংইন্না গোর্খাশিংনা ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইখিবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা গোর্খাশিংগী তোখায়বা ষ্টেট অমা লৈতবনা লৈবাক অসিদা গোর্খাশিংবু ফোরেন্নর ওইনা লৌনরি। মিজোরামদা লৈরিবা মীয়াম্না খোঙজং অসি শৌগৎফম থোকই হায়না জি জে এম মিজোরাম য়ুনিটনা ফোঙদোকখি।

পাকিস্টাননা ফাখিবা ইন্দিয়ন ৪ থাদোরক্লে

ন্যু দিল্লি, জুন ২২(এজেন্সী) :

পাকিস্টাননা ফাখিবা ইন্দিয়ন ৪ থাদোরকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টতা খূৎশিন্নরক্লে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সনা ফোঙদোকখ্রে।

সুরজ রাম, সোহন লাল, মহমদ মকবুল লোন অমদি অব্দুল মাজিদ কৌবা মীওই ৪ অদু পাকিস্টাননা থাদোরক্লবা মতুংদা ঙমখৈ লানশিন্দুনা ইন্দিয়াদা চঙলকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পাকিস্টানগী মহাক্না ফম মান্নবা নৱাজ সরিফকা উনদুনা ৱারী শানখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ানা জুন ১২ দা পাকিস্টানগী মীওই ১১ থাদোকখি। হায়রিবা মীওইশিং অদু থাদোকপীনবা মতম কয়াগী মমাঙদগী পাকিস্টাননা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

নাকল অমরোমদা, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী লাইন ওফ কন্ট্রোলদা পাকিস্টানি আর্মিনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখ্রে।

পুঞ্চ সেক্টরগী খারি কর্মারা এরিয়াদা পাকিস্টাননা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ন আর্মিনসু খূৎ হন্দুনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপখি। রিপোর্ট অমনা হায়খি, পাকিস্টানগী লান্মীশিংনা সিজ ফায়রগী কাঙলোন থুগায়দুনা মোর্টার সেল কয়া কাপশিল্লকখ্রবা মতুংদা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখি।

হৌখিবা মতম খরগী মনুংদা পাকিস্টাননা সিজ ফায়র থুগায়দুনা ঙমখৈদা নোংমৈ কাপশিনবগী থৌদোক তোয়না চথরকখি।

থা অসিগী হৌগৎলকপদসু জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কৃষ্ণঘাটি সেক্টর অমদি নাওসেরাদা পাকিস্টাননা অনীরক হন্না সিজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

হৌখিবা জুন ৯ দসু জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী য়ুরি সেক্টরদা ঙমখৈ লানশিল্লকখিবা টেররিষ্ট অনী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবনি।

কাশ্মীরদা ঙমখৈ ৱাংমদগী চঙলকপা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা টেররিষ্ট তরেৎ আর্মিনা হাৎখ্রবা মতুংদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। পাকিস্টানি আর্মিনা কাশ্মীরদা খুৎলায় পায়বা মীওই কয়া থাজিন্নবা হোৎনরকখিবা থৌরাং কয়াসু সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা অরেম্বা তাহনখি।

নাওগাম সেক্টরদা টেররিষ্ট অহুম অমসুং মসিল সেক্টরদনা টেররিষ্ট মরি হাৎপা ঙমখি। নাওগাম সেক্টরদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা আর্মি জৱান অমসু শিখি। য়ুরি অমদি গুরেশ সেক্টরদা খুৎলায় পায়বা মীওই কয়া ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকপদা আর্মিনা মায় পাকহনখিদ্রবনি।

হৌখিবা মে ০৭তা খা থংবা কাশ্মীরগী কুলগামদা টেররিষ্টশিংনা পুলিসতা এম্বুশ তৌনবা হোৎনরকপদা লাস্কর-ঈ-টৈবগী মিলিটেন্ট অমা অমসুং পুলিস পার্সনেল অমা য়াওনা মীওই মঙা শিবা লৈখ্রে।

কুলগামগী মির বজার মনাক্তা টেররিষ্টশিংনা পুলিস টিম অমদা এটেক চথনবা হোৎনরকপদগী নাকল অনী খুৎ থোক্লখি।

ইন্দিয়ানা হঙ্গেরিগী সীটি ১৫ দা যোগ ফেষ্টিবেল পাঙথোক্কদৌরি

ন্যু দিল্লি, জুন ২২(এজেন্সী) :

হঙ্গেরিদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসিনা লৈবাক অসিগী সীটি ১৫ দা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা যোগ অমদি কলচরেল ফেষ্টিবেল পাঙথোক্কদৌরি।

হঙ্গেরিদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসেদর রাহুল সৱানা হায়খি, জুন ২৩ দগী ২৫ ফাওবা সীটি ১৫ দা গেনজেস-দেন্যুব কলচরেল ফেষ্টিবেল ওফ ইন্দিয়া অমদি ইন্টরনেসনল দে ওফ যোগগী থৌরম পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরে।

বুদাপেষ্ট, বেলাদোনফ্যুরেদ অমদি মিসকোলনচিংবা সীটিশিংদা থৌরম অসি পাঙথোক্কনি। ইন্দিয়ানা নীংতম্বা চহী ৭০ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা যোগগী ৱার্কশোপ অমদি ইন্দিয়াগী নাৎকী ওইবা জগোই-ঈশৈ কয়া উৎকনি। হঙ্গেরিগী সীটি কয়ামরুমদসু থৌরম অসি পাঙথোকপীনবা মরী লৈনবা মেয়রশিংনা ইন্দিয়ন এম্বেসিদা হায়জরক্লে হায়না এম্বেসেদর রাহুল সৱানা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জীনা ঙরাং ইন্টরনেসনল যোগ দেগী থৌরমগা মরী লৈননা যোগ দেমোন্সট্রেসনগী থৌরম অমা হৌদোকখিবন।

থৌরম অদু হৌদোক্লদুনা প্রসিদেন্ট মুখর্জীনা হায়খি, অরিবা মতমদগী ইন্দিয়াদা লৈরক্লবা যোগনা লায়না কয়া-মরুম ফহনবগা লোয়ননা হকচাংগী অশোয়বশিং শেমদোকপা ঙম্মী।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হনবা লৈতনা হোৎনবগী মহয়না জুন ২১ বু য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ইন্টরনেসনল দে ওফ যোগ হায়না লাউথোকখিবনি। হন্দক চহীগী ওইনসু অহুল্লকশুবা ইন্টরনেসনল দে ওফ যোগ পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়ামবু তরাম্না ওক্লদুনা প্রসিদেন্ট মুখর্জীনা হায়খি, নুমিৎ খুদিংগী যোগ শান্নরবদি পূক্নিং অমসুং হকচাংগী ফীভম ফনা থম্বা ঙম্মী।

অমরোমদা, অহমেদবাদকী জি এম দি সী গ্রাউন্দদা বাবা রামদেবনা লুচিংবা মীওই লাখ ৩ লোম্না ইন্টরনেসনল যোগ দেদা শরুক য়াদুনা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্ড থমখ্রবনি। থৌরম অদুদা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহ, গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানি, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর নিটিন পটেল, হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অনন্দিবেন পটেল, অতৈ তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল লীদরশিং, আই পি এস অমদি আই এ এস ওফিসরশিং, হায় কোর্টকী জজশিং অমসুং শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংদুনা কুমজা ২০১৫ গী জুন ২১ দা দিল্লিগী রাজপথতা মীওই ৩৫,৯৮৫ শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা যোগগী থৌরমনা ৱার্ল্ড রেকোর্দ ওইরম্বনি। বাবা রামদেবনা লৈঙাক্কী মতেং লৌরগা লাক্কদৌরিবা চহী খরগী মনুংদা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা লেম্না যোগগী ক্লাস লাখ ১১ হাংদোক্লবা থৌরাং তৌরি। মহাক্না হায়খি লেম্না যোগগী ক্লাস হাংদোক্তুনা মীপুম খুদিংমক্তা কান্নবা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER - VIII, GOVT. OF MANIPUR

Ref. Mut. Case No. 439/AS&SO/VIII/TBL

Moirangthem (o) Khumanleisha Devi w/o Suko Singh of Langathel Moirang Leikai. ... Applicant

- Vs -

1. (Late) Nepram Tomba Singh s/o (L) Sekhor Singh of Langathel, 2. (Late) Moirangthem Nobino Singh s/o (L) Yaima Singh of Langathel.

... Recorded Pattadar

[illegible]/NOTICE

The 20/06/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি। মদুদি থৌবাল খুল নং ৪৫-লাঙথেল, পাট্টা নং ৭৪ (অরিবা), ১০৫ (অনৌবা), দাগ নং ৪৪৫ এরিয়া ০.১২৯৫ হেক্টর চাউবা ইঙ্খোল অসিদা পাল্লিবা কো-পাট্টাদার অনী ১। নেপ্রম তোম্বা সিংহ পী: মৃ: সেখোর সিংহ সাং লাঙথেল, ২। মোইরাংথেম নোবিনো সিংহ পী: মৃত য়াইমা সিংহ সাং তথা অনীমক অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদার অনীগী মমিং কল্লগা মোইরাংথেম ওংবী খুমনলৈশা দেবী পতি সুকো সিংহ সাং লাঙথেলগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা মথক্কী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

Sd/- **Th. Shantikeshwar Singh**
Asstt. Survey & Settlement Officer-VIII,
Manipur (Thoubal)

HL-P/1897/23

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 442/SDC/IW(P) of 2017

Heisanam Pedamani Devi w/o (L) Tomchou Singh of Patsoi Part-III. -Petitioner

-Vs-

1. (Late) Heisanam Tomchou Singh s/o (L) Amu Singh of Patsoi Part-III, 2. Heisanam Modhuchandra Singh s/o (L) -do- of -do-, 3. Heisanam Khomei Singh s/o (L) -do- of -do-.

-O.P. Parties

[illegible]/NOTICE

The 22nd June, 2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ঈঃ ওঃ পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ৮০-পাৎশোইগী পাট্টা নং ৪০৬ (অরিবা) ৫০০/৮১০ (অনৌবা), দাগ নং ১২৫৮/১৬১৬ অমসুং ১২৫৯ গী পোইন্ট ০.৩০ একর চাউবা ইঙ্খোল অমসুং ০.১৭ একর চাউবা অঙনফৌ লৌফমগী পাট্টাদার/কো-পাট্টাদার নং ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী নুপীনা মপুরোইবগী মহুৎতা কো-পাট্টাদার নং ৩ ওইনা মমিং হাপ্পীয়ু হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১-৭-২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

***Sd/-* Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/1896/23

অসামদা খঙহৌদনা ঈচাও থোকপদা মীওই অমা শিখ্রে

গুৱাহাটি, জুন ২২(এজেন্সী) :

নোং কন্না চুবদগী অসামদা খঙহৌদনা ঈচাও থোরকপদা মীওই অমা শিখ্রে। ঙসি অয়ুক পুং ৭ তাবদা খূঙ য়ৌনা ঈশিং থুমজিল্লবা জূ রোদতা মীওই অদু মৈনা চিংবদগী শিখিবনি।

ইলেক্ট্রিক ৱায়র অমা তৎলগা তারকপদা কনামত্তনা খঙখিদবগা লোয়ননা মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা মতম চানা শেমজিনখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মীওই অদু মৈনা চিংলগা শিখিবনি হায়রি।

মফম অদুগী মীয়াম্না অসাম ষ্টেট ইলেক্ট্রিসিটি বোর্দ (এ এস ঈ বি)কী মথক্তা য়ানিংদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

মীওই অমনা হায়খি মদুদি, কয়ারক হন্না হায়জরবসু এ এস ঈ বিগী ওফিসলশিংনা থৌশাদবদগী লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

অমরোমদা, নোং কন্না চুবদগী ঙসি অয়ুক অসামগী মফম কয়ামরুম ঈশিং থুমজিনখি। ঈশিং থুমজিনখিবদগী স্কুল বস অমদি লন্নাই গাড়ী কয়া লম্বীদা পন্দুনা লৈখি।

হৌখিবা জুন ১৩ দসু গুৱাহাটিদা খঙহৌদনা ঈচাও থোরকপদা পীক্লিবা অঙাং অমা য়াওনা মীওই ৬ শিখ্রবনি। লৈখিদবশিংগী মনুংদা অনীদি মৈনা চিংবদগী শিখিবনি।

অমরোমদা, অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালনা ঈচাওদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ৬.৫ এক্স-গ্রেসিয়া ওইনা পীখিনবা কামরুপ (মেট্রো) দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা খঙহনখ্রে। ষ্টেট দিজাষ্টর রিলিফ ফন্দ (এস দি আর এফ)তগী লুপা লাখ ৪ অমসুং অসাম পাৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এ পি দি সী এল)দগী লুপা লাখ ২.৫০ লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংদা পীখিগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা খঙহনখি। হন্দক মরক নোং কন্না চুবদগী ঈচাও থোক্লবা মফমশিং চীফ মিনিষ্টরনা য়েংশিনখি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 441/SDC/IW(P) of 2017

1. Gotimayum (o) Binabon Devi w/o Nilamani Sharma of Iroisemba, 2. Gurumayum (o) Radha Devi w/o Rajen Sharma of Uripok Khumanthem Leikai, 3. Kongbrailatpam (o) Kunjabati Devi w/o Dinesh Sharma of Mayaikoibi, 4. Kongbrailatpam (o) Roma Devi, w/o Raman Sharma of Amudon, 5. Chungkham (o) Anju Devi, w/o Tellaba Singh of Ghari Awang Leikai, 6. Takhelchangbam (o) Tombisana Devi, w/o Hemanta Sharma of Heirok Litan Makhong.

-Petitioners

-Vs-

Late Bachaspatimayum (o) Ibemhal Devi, w/o (L) Ibopishak Sharma of Langjing Achouba.

-Deceased Pattadarini

[illegible]/NOTICE

The 22nd June, 2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খুত্থাংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ঈঃ ওঃ পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ১০৪-লাংজিং অচৌবগী পাট্টা নং ১০৯ (অরিবা) ১৬৪ (অনৌবা), দাগ নং ১১০ গী এরিয়া ০.০৫ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদারিনি অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারিনিশিং অসিনা মৃ: পাট্টাদারিনি মমাগী স্বৰ্তদা অমদি দখলগী মতুং ইন্না এরিয়া লোইনমক মখোয়গী মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারিনিগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১-৭-২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

***Sd/-* Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/1896/23

[illegible]

হোদাম লৈরক্কী সলাই তরেৎকী ইবুধৌ ইবেন্ধৌ নুমিৎ ৬ নি চূপ্না লাই হরাউবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



হৌখিবা ইঙাগী ২১ নি পানবা তাং ১৬/৬/২০১৭ ইং, ইরাই নুমিৎতগী হৌরগা ইঙাগী ২৭ নি পানবা তাং ২১/৬/২০১৭ ইং, য়ুমশকৈশা নুমিৎ ফাওবা নুমিৎ তরুক্নি চূপ্না হোদাম লৈরক্কী সলাই তরেৎকী ইবুধৌ-ইবেন্ধৌ হরাউবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

হোদাম লৈরক্কী মীয়াম্না অনৌবা ইবুধৌ-ইবেন্ধৌ শঙলেন অমা শাজদুনা লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা লাই হরাউবা পামজরকখিবা মঙলান অদু মঙফাওনহনখ্রে।

মসিগীদমক ইরৈকায় অসিগী মীপুম খুদিংমক লোয়ননা ইরৈকায় ৱাংমদগী লাইগী শঙলেন শাবদা অমদি লাই হরাউবা অসিদা তেংবাঙবীরকপা খুদিংমকপু Hodam Leirak Umang Lai Thougal Lup না থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ইবুধৌ-ইবেন্ধৌদা য়াইফ থৌজাল পীনবীয়ু হায়না থৌনিজরি।

হায়জরিবা : **T. Gyanen Singh**
Hodam Leirak Umang Lai Thougal Lup

HL-P/1901/23

[illegible]/লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3918/5/6-4/7